হৌজিকপু লান তৌরি হায়দুনা ঐখোয় চপ-চপ লেপ্তুনা লৈরদরা? - ৩

- নানি

মণিপুরগী আর্টিষ্টশিংদি অতৈগা মান্নরোই, ঐখোয়গী আর্টিষ্টশিংদি মখূত্তা মমিৎ পাল্লি, লুখমদসু মমিৎ পাল্লি। উদবা লৈতে, হৈতবা লৈতে। মমাগী সিয়োম্নুংদগী হৌনা টেলেন্ট কয়ানা য়োমদুনা পোল্লকপনি। তৌবতবু ঐখোয়গী আর্টিষ্টশিংগী অৱাৎপা অমা হায়বা তারবদি লায়রবা ষ্টেট ওইরুবা অদুগা লায়রবা ইমুংদা পোল্লুবা অসিনি। মশানা পামজবা ইন্সত্রুমেন্ট, ইরায় লায়না লৈবা ঙমজদে। লৈবা ঙমদে হায়দুনা তুমীন্না খক লৈথোক্তে। লৈজরিবা খরদুনা করম্না অহেনবা মশক অমা থোকপা ঙমগদগে হায়না মতম চুপ্পদা খনবা ঙম্বা কয়া অমা লৈরিবনি।

ইপা-ইপুনা মৈহৌরোলদগী হৌনা লেঙদনা ঐখোয়গীদমক্কি হায়না মমল নাইদনা থন্বীরম্বা ঐখোয়গী তাঙলবা 'পেনা'গী নুংশিরবা মখোল, নুংশিরবা শৈহেক করম্বা মালেমগী লৈবাক্তা লৈরিবা ইন্সত্রুমেন্ট অমনা নমথবা ঙম্বগে। ঐখোয়গী পেনাগী খোঞ্জেল তাবদা লম্বীদা চৎখিবা ম্যুজিক্তা ঙাওজবা মালেমগী মীওই কয়ানা চপ-চপ লেপ্তুনা তাখিদবা লৈখিবগে। লৈখিদ্রবা লমদমসিগী শক্লাইরবা এলাংবম নিলকান্তনা লীবীরম্বা হৌজিক ফাওবা কাউবা ঙমদবা ৱারী অমা লৈরি। ওজা অসিনা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্তর ওইরিঙৈ মতমদা নোংমা য়ু এস এদগী থিয়েটর/ম্যুজিক্কী স্কোলার অমা লাকখি হায়। মহাক্না লোয়ননা দিপার্টমেন্টকী কার এম্বেসেদরদু তোংদুনা লোক্তাক পাৎ য়েংবা চৎপদা ইম্ফালদগী হাইথখিবদা বিষ্ণুপুর য়ৌরমদাইগী চীঙ্গোল অদুদা লাপ্পা খোংলকপা ব্রোজেন্দ্রোগী লুহোংবা ফিল্ম অদুদা পেনাগী শৈশকপা লৈখিদ্রবা ওজা লৈবাক মচানা শকপা 'নুমীদাংৱাইরমগীনা মতমনি, নুমিৎনা চীংয়া থাংলক্লে' হায়বা ঈশৈদু রেকোর্দ ওইনা থাদুনা মাইকতা খোংলকপদা মদুগী মখোলদু তাবদা স্কোলার অদুনা গাড়ী খামখো হায়খি হায়। কার খাল্লগা মহাক কুমথরগা মনাকোং থাঙ্গৎতুনা ৱেব নাইনা তারিবা পেনাগী ঈশৈ অদু মুন্না তাখি হায়।

মদু তারবা মতুংদা মসিগী মখোল অমদি ঈশৈসি করিনো হায়না হংখিবদা ওজানা পেনা ঈশৈনি হায়না খুমখি হায়। মদুদা স্কোলারদুনা মসিগী ঈশৈ অসি লাইভ ওইনা অমুক্তা ঐবু য়েংহনবা, তাহনবা য়াগদ্রা হায়না হংবদা ওজানা য়ানি শীঞ্জগে হায়না খুমখি। ইম্ফাল য়ৌরগা কোয়চেন চেন্নদুনা ওজা লৈবাকমচা কৌরগা নুপা অদুগীদমক অখন্নবা পেনা ফমশক অমা তাহনখি হায়। মদুদা স্কোলার অদুনা 'অসুক ফজবা খোঞ্জেল, অসুক ফজবা ইন্সত্রুমেন্ট অসিগী নুংশিবা মখোল অসি ঐনা লৈবাক কয়া চৎলে অমুক্তা তাবা ফংদ্রি' হায়না হায়রমখি হায়বগী ৱারী অমা নোংমা মীয়াম তীনবা মফম অমদা ওজানা ষ্টেজদা মীয়ামদা লীখিবা ৱারীদু ঐ ঙসিসু কাউদ্রি। অদুনদি অদুগুম্লবা তাঙলবা ঐখোয়তগী ওইজবা ইন্সত্রুমেন্ট অদুগী মতিক ময়াই অদু অমুক্কা হেনগৎলকখি।

অদুগুম্বা পেনা অদুদগী ঐখোয়গী আর্টিষ্টশিংনা মুন্না য়েংলগা খোংল-খোংলগা করম্না হিন্দুস্থানি অমদি ৱেষ্টর্ন ম্যুজিক্কী মরক্তা তীন্দুনা খোংনিংবা স্কেলদা সূর শেম্বা য়াগদগে হায়বগী মখল কয়াগী চাংয়েং তৌদুনা হোৎনখি। মদুগী মহয় ওইনা মমৈথংদা 'পেনাও' হায়না মমিং থোন্দুনা পুথোকখিবগী ৱারীসু ঐখোয়গী ইরক্তা লৈরি। হৌজিক্তি পেনাও য়াম্না মমিং চৎলবা ঐখোয়গী ম্যুজিক্কী ফজরোল অদু অতৈ ম্যুজিকশিংগী মরক্তা চঙশিন্দুনা লাম্বা তৌনদুনা খোংনবদা করিসু চোপত্রে। ঐখোয়গী ম্যুজিক্কী ফজবা কয়া অদু হেন্না মীয়ামদা শন্দোকপা ঙম্লি। মসি পূম্নমকশিং অসি ঐখোয়গী মখূৎতা মমিৎ পানবা আর্টিষ্টশিংসিগী চাউরবা খুদোল ঙাক্তনি। হৌজিকসু ঐখোয় মখা তানা করি-করি তৌরগা করম্বা চাংয়েং চথবা য়াবগে হায়বদু হন্না হন্না নৈনবা য়ারি। অহেনবা পুথোকপা য়ারিবগে হায়বদু খন্নবা য়ারি। নৈনবদা অফবা মহয় শোয়দনা ফংগনি হায়না থাজে।

হৌজিকমক্কী ওইনদি মণিপুরদা তংদু লৈতাদবা অমা কন্না চথুরি। মসি পাক হেক ফখিগনি হায়বগী থাজবদি ৱাৎলি হায়না হীরম অসোমদা য়েংশিল্লিবশিংগী মায়কৈদগী থম্নরক্লি। ঐখোয়গী আর্টিষ্টশিং ৱাবদা খম থেংলে। মচা-মশুশিংগী, ইমুং-মনুংগী অহো-অরাক মেনবদি লায়রদনা মশামক্কী চাকখাও মেনবা ঙল্লক্তবগী অৱাবা অমা ঐখোয় হৌজিক থেংনদুনা লৈরি। মতাংসিদা ৱাফম খরা থোরক্লি। আর্টিষ্টশিং অসিনা ৱারিবা অসিগীসু, অতৈ শিনফমদা লৈরিবা ময়ামগীসু করি করম তৌরগা নৎত্রগা করম্বা কাঙলোন অমগী মখাদা পুন্না হোৎনমিন্নবা য়াবগে থৌরাং অমা পায়খৎপা য়াগদগে হায়বসি খন্নবা চুম্মী। মসিগী অসুপ্পা ৱাখল্লোন অমদি মীৎয়েংদি লৈঙাক অসিগী থৌদাং ওইফম থোক্লে। মরমদি লৈঙাক হায়বসিনা তৌগদৌরিবসি লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাং, মীয়ামগী পূন্সি, মীয়ামগী মরল-মথুম ঙাক শেনবা অমদি মখোয়গী তংদু লৈতাবা পূন্সিরোল অমগীদমক্কি লৈঙাক হায়দুনা লিংনরিবসি। মসিদগী অহেনবা থৌদাং কয়াসু লৈরি। অদুবু মীয়ামগী পূন্সিগী য়াইফনবা হায়বা মায়কৈ অসোমদা য়েংলগা তৌবা য়াবশিংগী মনুংদা- আর্টিষ্টশিং অসিগী ওইবা মায়কৈরোমদা লৈশিল্লরুগা ৱাখল খরা কাংজনিংই।

মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট কয়া অমা লৈরি। দিপার্টমেন্টশিং অদুনা তৌরিবা থবক খূদিংমকসু লৈবাক মীয়ামগী হায়বসিনা মাঙদা থল্লগা মাগী মাগী মথৌ মঙমশিং অদু পায়খৎলিবনি। পায়খৎলিবা থৌরমশিং অদু মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহনবা, মীয়ামদা মীৎনাকোং ওইনবা পাক শন্না খঙহন্নবা থৌরাংসু থবক খূদিংমক্কী য়াওরিবনি। অদুনা মীয়ামদা খঙহন্নবা কাঙলোন অমা ওইনা আই ঈ সী হায়বগী মখাদা শেনফম খরা খরা খাক্তুনা থম্নরিবনি। আই ঈ সী হায়বদি ইনফোর্মেসন, এদ্যুকেসন অমদি কম্যুনিকেসন হায়বনি। তৌগদৌরিবা থবক অদুগী পাউদম, মীয়ামদা খঙহন্নবা অমদি মীয়ামগা পাউ ফাওননবগী কাঙলোন অমনি। হায়রিবশিং অসি দিপার্টমেন্ট অয়াম্বনা মপুং ফানা শীজিন্নবা উদে। শীজিন্নে, মদু ৱাল পোষ্টর, অচৌবা মীয়াম্না হেক উগদবা মফমদা শেনফম য়াম্না য়াম্না চঙনা শেমদুনা থেৎপা হোল্ডিং কয়া অমা শীজিন্নরি। পমপ্লেট ওইনা নমদুনা মীয়ামদা চেজাই ওইনা চাইথোকপা, রেদিওগী জিঙ্গল ওইনা এদভর্টিজমেন্ট তৌবা ঐখোয়না মওং কয়াদা থেংনরি।

অদুগুম্বা কয়া অদুগী শেনফমশিং অদু ঐখোয়গী আর্টিষ্টশিংদা মিনিমম ওইনা পীরগা দিপার্টমেন্টনা লৌখৎলিবা হীরম কয়া অদুগী মতাংদা প্লে তৌহনবা, ফিল্ম মচা-মচা নমহনবা, ঈশৈ ওইনা মীয়ামদা খুদোল তম্বা য়াই। মদুদা য়েংসি- ফিল্ম ওইনা নম্লবসু, কেমেরা, এদিটিং, কোরিওগ্রাফর, আর্টিষ্ট, স্ক্রিপ্ট রাইটর ময়াম পূম্নমকশিং অদু মমিংতগী ওইরবসু অপীকপা শেনফম খজিক-খজিক ফংজগদৌরিবনি। মদুনা শুংফং ফংদনা লৈববুদি খজিক্তং ওইরবসু ফংজবা অদুনা মমায় মমিৎ পাংজগদৌরিবনি। অসুম্না হেক মরী লৈনবা আর্টিষ্টশিং, ফোল্ক সিঙ্গর ওইরবসু মখল কয়াগী আর্টিষ্টশিং কোনশিনবা য়াগনি খল্লি। মসি তৌবু তৌগে হায়রবদি লৈঙাকসিনা ইরায় লায়না তৌবা য়াই।

য়ারিমখৈ পুন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোনসি ঐখোয় পুন্না ফাওমিন্নগদবনি। দিপার্মেন্টকী মকোক থোংবশিং, ফমজাও পায়রিবশিং অসিনা অতৈ ৱেলফ্যের স্কিম কয়া পায়খৎলিবা অদুগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামগী পূন্সিগী মহাও অমসু পীনবা হোৎনগদবনি। য়ারিবমখৈ অদুগুম্বা অপীকপা শেনফমশিং অদু নমশিন্দুনা থল্লগা অতোপ্পা হীরমদা মায়কৈ চুম্না শীজিন্নরবদি খঙদে। অয়াম্বা মশাগী ওইজগদবা কাঙলোন শেমজিল্লগা লোইনা শীজিন্নবগী খুদম চাংদম লোইনা ফংই। আই ঈ সী অসি মীনা শেম্বনি। গাইদলাইন অদুসু মীনা শেম্বনি। শেম্লিবা অদুদা মতমসিগা চুশিন্ননা লোইনা শেমদোক শেমজিন তৌবা য়াই। পমপ্লেট নমদুনা মীয়ামদা চাইথোক্লিবদু কোপী কয়া নম্বগে, মী কয়াদা ফংহনবগে, মী কয়ানা মদুগী মরমদা ৱাখল তামিন্নরবগে হায়না মশীং থিগৎলবদি কনানসু খঙদে। তৌদবা য়াদবা খরা তৌরগা অয়াম্বা শরুক্কা কদায়দা নমশিনখিবগে হায়বসি ইখঙ খঙনৈ।

মথং মথং...

নহাশিংগী অখন্নবা কাখল : - নহা ফাল

নীংবু নীংহন্নদ্রবদি ২০২৩দা মায়থীরগা হল্লকখিবী ২০২৪দা মায় পাক্লগা লাকখি

নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা

রেস্মি সোরোখাইবম ইমুংগীনা থেনথেন, ফিল্ম এক্ট্রেস

ঐখোয় মীওইবনা নীংহন্নদনা হোৎনরবদি মায় পাকই হায়বসি য়াম্নমক চুম্লবা লাইৱা অমনি। লাইৱা অসিগী খুদুং ইন্দুনা রেস্মি সোরোখাইবম কুমজা ২০২৩ গী প্রাগসিনে এৱার্দতা বেষ্ট এক্ট্রেস নোমিনি ফঙলবসু মায়থীরগা হল্লকখি। য়াম্নমক নুংঙাইতনা থম্মোয় শোক্লা হল্লকখ্রবসু নীংহন্নদনা হোৎনদুনা কুমজা ২০২৪গী প্রাগসিনে এৱার্দতদি বেষ্ট এক্ট্রেসকী এৱার্দ লৌদুনা মায় পাক্তুনা লাকখি। বামোন ইবেম্মা হায়না মিংথোনবা বিসগুপ্তা লাইশ্রমনা দিরেক্সন পীবা ফিল্মসিদা নোর্থ ইষ্টকী বেষ্ট এক্ট্রেসকী এৱার্দ ফংলকখ্রবী রেস্মি সোরোখাইবম য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকায়দগীনি। অপোকপগী মিং সোরোখাইবম রঞ্জন অদুগা অপোকপীগী মিংনা সোরোখাইবম ওংবী মেরিনা কৌই। মচিন-মনাও পুন্না নুপী অনী, নুপা অমা পুন্না অহুমগী মনুংদা মহাক্না অহলনি। মনাওনুপীগী মিং এস মোনা অদুগা মনাওনুপাগী মিংনা এস বিকি কৌই।

রেস্মি য়াম্নমক অঙাং ওইরিঙৈ শুপ্নগী ক্লাস ৱান, টু খক্তমক তল্লিঙৈদগী হৌনা ফিল্মবু পামজনা হৌরকখি। মহাক্কী ময়ুম য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকায়দা লৈবা মান্দপতা মতম অমদা ব্রাইট ফিল্মনা পাঙথোক্লম্বা দোন কম্পিটিসন তৌবা মতমদা মমাঙদা ফমদুনা পীশক পীক্লিঙৈ মতমদগী য়েংদুনা লাকখি। মণিপুরী ফিল্মগী মতম অমগী শক্লাইরবী লৈখিদ্রবী লাইময়ুম ওংবী সিমা মহাক্কী মনেশিংনি। সিমানা হিংলিঙৈদা মহাকপু নোংমদি শোয়দনা ফিল্ম কুম্লকখিগনি হায়না পূক্লিং থৌগৎপা ৱাহে কয়া ফোঙদোক্লমখি। ৱাহৈশিং অসিনা থৌনা হাপ্তুনা রেস্মি কুমজা ২০১২দগী মণিপুরী ফিল্মদা খোঙদাবা হৌরকখি। মহাক্কী অহানবা ফিল্মনা ও সী মৈরানা দিরেক্সন পীবা 'শকহেনবী ইতৈমা'দগী হৌরগা মণিপুরী ফিল্ম অতৈদসু সপোর্টিং রোল কয়া কুম্লকখি। চহী খরা কুম্লম্লগা অপোকপী মমা নারকপদগী মতম খরা অমুক ফিল্ম কুম্বা লেপখি। ফিল্ম কুম্বা লেপ্লিঙৈ কুমজা ২০১৩দা পাম্বোংইবী নাত্য মন্দির য়ুম্নাম লৈকায়দা মহাক্কী ওজা য়ুম্নাম রাজেননা পুশিন্দুনা দ্রামা কুম্বা হৌরকখি। চহী অমরোম দ্রামা কুম্লম্লগা মহাক্কী ময়ুম মনাক্তা লৈবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নদা কুমজা ২০১৬ অদুৱাইদা মহাক মশানা চক্তুনা ওজাশিংগী মখাদা দ্রামা য়াওরকখি। মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ওজাশিং মিং পল্লবদা জুগোলচন্দ্র, শ্যাম ধনি, গোজেন লমাবম, বিকে, ব্রজবিধু নচিংবা ওজাশিংসিনা মহাকপু তাকপী তম্বীদুনা মমিং লৈরবা দ্রামা কয়াদা শক্তম লাঙখি। দ্রামাগী মমিং খরা পল্লবদা- হাওবা কোনু, পোক্ত্রিঙৈদা শিজগে, মহারানি ইন্দু পর্ব, কৃষ্ণ অবটার, মাইনু পেমচা, মৌ অহুম লানফম অহুমনচিংবনি। থিয়েটরদসু ষ্টেট লেভেল অমদি নেসনল লেভেল ফেষ্টিভেল কয়াদা শরুক য়াদুনা এৱার্দ কয়ানা লৈতেংলি। অসুম্না থিয়েটরসিদা য়াওরবা মতুংদা এক্টিংগী লম্বীদা হেন্না খুন্ম্যাং চাউশিনবা ঙম্বা এক্টর অমা ওইরকখি। ফিল্মদা হেন্না পামজবী মীশক ওইবনা মণিপুরী ফিল্মদা লিদ রোল লৌদুনা মীয়াম্না পাম্নরবা ফিল্ম কয়াদা হিরোইনগী শক্তম লাঙখি। মমাঙগী কুমজা ২০২৩দা 'ইচা' হায়বা বিসগুপ্তা লাইশ্রমনা দিরেক্সন পীবা ফিল্মসিদা প্রাগসিনে এৱার্দ কুমজা ২০২৩দা বেষ্ট এক্ট্রেসকী নোমিনি চঙলবসু মায়থীদুনা হল্লকখি। অদুবু নীংহন্নবা তৌদনা হোৎনবনা ঙসিদি নোর্থ ইষ্টকী ওইনা 'বামোন ইবেম্মা' হায়বা ফিল্মদা বেষ্ট এক্ট্রেসকী এৱার্দ ফংবা ঙমখিবনি। মহাক্না এৱার্দ ফংলকপসিদা 'বামোন ইবেম্মা' ফিল্মসিগী টিম পূম্নমক্তা মরু ওইনা দিরেক্তর বিসগুপ্তা লাইশ্রমদা ক্রেদিট পীরকখি। ফিল্মসিদা মহাক্না বামোন নুপী অমগী শক্তম লাঙখি। মমাঙদা মহাক্না কুমখিবা রোলশিংদগী তোঙানবা কেরেক্টর অমা ওইবনা ফিল্মসিগীদমক মহাক য়াম্না কন্না হোৎনবগী মমি তাখি। মহাক্কী মমিং লৈরবা ফিল্ম খরা পল্লবদা- হিংবগী মহাও, ইয়াইথক্কী থম্বাল, ইচা, ইস কৈনেগেসিদি, ২০২০ থোইবী, বামোন ইবেম্মা, ইন্সপেক্তর য়োইহেনবা-২, মমল, ৱারৌ য়াদে অসিনচিংবনি। মহাকপু ফিল্মগী মঙাল পীবীরম্বা লৈখিদ্রবা লাইময়ুম ধনচন্দ্র ওজা অসিবুসু মহাক্না ঙসিসু মপূক্লিংদা লাৎচদুনা লৈরি।

ফিল্ম খক্তা নত্তনা ম্যুজিক ভিদিও এলবমদসু নহাশিংনা পাম্নরবী এক্ট্রেস অমা ওইরি। মহাক্কী মমিং লৈরবা ম্যুজিক ভিদিও খরা পল্লবদা - নুংশিবদি থমখিরোই, য়ারে য়ারে, ওইনররোইসে থেল্লগে, থম্মোয়হুবী লৈরাংনি, তামো ঐঙোন্দা, লৈবীরো লৈবীরো অসিনচিংবনি। অসুম্না লেপ্তুনা কুম্লকপনা মীয়াম্না পাম্নরবা মীশক অমা ওইবা হৌরকপা মতমসিদা লাইবক থীবা অমনা কোভিদ-১৯ মতমদা চহী ২ হেন্না লেপ্লুরবা তুংদা হৌজিক অমুক মমাঙ চহীগী মে ৩দগী ঙসি ফাওবা লেপ্পা লৈতনা চথুরিবা মীতৈ অমদি কুকি কাঙলুপ অনীগী ঈরাংসিনা শিন্থা লেপ্তুনা পাম্না চঙশিল্লিবা লম্বীসি মমি শাল্লকপগুম তৌরি। অদুবু লৈবাক নীংবা সোর্ট ফিল্ম অমদি ম্যুজিক ভিদিও খরা মীয়ামগীদমক খুদোল তম্নবা হোৎনরি। মসিনা মহাক্কী এক্টিং কাউদনবগী লম্বী অমসু ওইরি। হৌজিক ঈরাংসিদা মীয়াম পূম্নমক খম থেংনা ৱানরি। অদুবু ফিল্ম আর্টিষ্টশিংনা খরা হেন্না ৱায় হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। মসিগী মরমদি ফিল্ম তৌজরিবা আর্টিষ্টশিংসি মখোয়গী প্রোফেসনদা হৌজিক ফাওবা হঞ্জিনবা ঙমদনা লৈরি। অতৈগী প্রোফেসনশিংদি লোয়নমক মাগী মাগী শিন্থা পাঙনখ্রে। অদুবু ফিল্ম, লীলা, দ্রামা, ঈশৈ অসিনচিংবা অসিদি মীয়াম্না কুম্মৈ-হরাও ওইনা উবীবনা মসিদা থবক তৌজরিবা মীওইশিংদি লু কোকপদা লেন তাবগা পাঙ্খক ওইরে। মরমসিনা লানসি অথুবদা লোইশিনবীদুনা মীয়াম পূম্নমক হান্নগী পূন্সিদা হঞ্জিন্দুনা তংদু লৈতাবা মণিপুর অমা ওইবগী মঙলান ঙসিসু রেস্মিনা মঙহৌরি।

হেমচান্দ নিংথৌজম

পাম্বী মখোঙ করিগী শোল্লিবা, আলুদনা শোমদ্রগা?

(The Science Behind the Statement)

ডা: এম থোইথোই সিংহ, ক্রোপ সোল্যুসন্স

ঐখোয়না অতেনবা মতমগী মনুংদা পাম্বীশিং মপুঙ ফাহনবা অমসুং মগুন লৈবা পোথোক য়াম্না থোকহনবা পাম্মী। মসিগীদমক পাম্বীগী মথৌ তাবা পোৎলম ওর্গেনিক মেটর অমসুং পাম্বীগী মচীঞ্জাকশিং পূম্নমক মচল শুনা, মতম চানা লৈবাক্তা হাপ্পদা নত্তনা মতম চানা ঈশিং পীনবা হোৎনরিবনি।

পাম্বীগী মখোঙ শোল্লিবসি মরাশিং লৈবাক মনুং য়ৌশিনখিনবা অমসুং অকোয়বদা শন্দোকখিনবনি হায়না খন্নে। লমদমসিগী লৈবাক্তি অয়াম্বনা লৈতান লম ওইনা তৌই। লৈবাক য়ৈশিনখিদনবা মরক-মরক্তা মখোঙ শোম্বা চঙই। অদুমকপু মখোঙ শোম্বনা পীরিবা কান্নবসিদি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে।

- মরাশিং লৈবাক মনুং য়ৌশিন্না চঙবা ঙমহল্লি।
- য়ৈশিন্দুনা লৈরম্বা লৈবাক শোমদোক্লবা মতুংদা ঈশিং-নুংশিৎ লৈবাক মনুং য়ৌশিনখিবা ঙমহল্লি। পাম্বীগী মথৌ তাবা মচীঞ্জাকশিং পাম্বীনা চুপশিনবা ঙমহল্লি।
- অহেনবা ঈশিং পুথখিবা (drainage & percolation) ঙমহল্লি।
- পাম্বী মখোঙদা হৌজিল্লিবা নাপীশিং লৌথোকপদা লায়হল্লি।

য়াম্না মরু ওইরিবদি পাম্বীগী মরাদা নুংশিৎ Oxygen ফংহনবসিনি। পাম্বী মখল খরা নত্তনা অয়াম্বা পাম্বীগী মরানা শ্বর হোন্নবগীদমক নুংশিৎ পাম্মী। লৈবাক্না কল্লিবা অপুনবা শরুক্কী (Volume) চাদা ১০দি নুংশিৎকী মফম ওইগনি, চাদা ১৫ না ঈশিংগী ওইফম থোকই। অদুবু পাম্বী মখল, লৈবাক্কী মখল, মওং, ঈশিং-নুংশিৎ অমসুং অকোয়বগী ফীভমগী মখা পোন্না খেন্নবা খরদি লৈগনি।

অদুবু আলু পাম্বীগীদমক্তি থাদ্রিঙৈদা লৈচং লৈনা খোইদোক্কনি। খোইরবা মতুং ফুট অমগী লৈচং ফংনবা হোৎনগনি। আলু থাখ্রবা মতুংদদি মখোঙ শোল্লোই। নাকলদগী লৈবাক খোপচিনবনা হেন্না ফৈ।

আলু মখল, থাফম, লৈবাক মখল, ঈশিং-নুংশিৎ অমসুং অকোয়বগী ফীভম খেন্নবগী মতুং ইন্না থাবগী মওংসু খেন্নে। অদুগা পাম্বীদুদা আলু তাননবগীদমক মতা (Stolon) থিনে দারকপা হৌবগী মতমসু খেন্নে। থাবদগী চয়োল মরিদগী তরেৎ ফাওবা চঙই নৎত্রগা আলু পাম্বীনা লৈবাক্তগী থিনগৎলকপা মতমদগী নুমিৎ মশীং থীরগনা নুমিৎ ১৫ নিদগী ৪০ নি ফাওবগী মনুংদা আলু তাবা হৌননবা মতাশিং (Stolons) পাম্বীগী মউদগী থোক্লকই। মতমসিদনি লমদমসিদা আলু মখোঙ কন্না শোম্নরিবা/য়ান্নরিবদি। আলুসি মরাদা তাই হায়না খনবা মীওইগী মশীং য়াম্মী। আলু তাবা হৌরবা মথকৱাইদা লৈরিবা মতাশিং মখোঙ য়ানবদা মথং-মথং ককথৎখি। আলুগী পোথোক য়াম্না হন্থে। থারিবা মখোঙ য়াল্লিবা মীওইদুনদি মাঙলিবা পোৎশক্তু মীৎমক্না উদবনা মহৌশা-মহৌশানি খল্লি; মখোঙ শোম্বা ঙসিসু লেপ্তে।



আলুগী মরাশিং লৈবাক্কী মখাদা চথখি, খা-ৱাং হাইদোক্লিবদুসু মখারোমদা কুমথৈ। মথক্লোমদা হাইগৎলক্লিবা ময়োনগী শরুকশিংদা মকা মচা মচা লৈগনি। মশক থোকপা অচৌবা মনাশিং মথং-মথং শন্দোক্লবা মতুংদা মউ ওইরপ্লা লৈরিবা মউগী শরুক্তা লৈরিবা মকা মচা-মচাশিংগী কারক্তগী আলু তাগদবা তোঙানবা মসাশিং (মতাশিং) ইন্থোরকই। মসাশিংদুগী মতোন্থংবা শরুক্তু চাওথোরক্তুনা আলু ওইরকই। মতমসিদা মখোঙ শোল্লবদি নৎত্রগা মখোঙ য়াল্লবদি লৈমায়গা নক্লনা লৈরিবা মতাশিং ককখ্রনি। মখোঙ শোম্বগী মহুত্তা মখোঙ খোপচিনসি। মখোঙ খোপচিনবা য়ানবগীদমক্কি আলু পাম্বী পরেংগা-পরেংগা ফুট অমমখায়দগী অনী ফাওবা থাপ্নহল্লিবসি।

মতম চানা লৈবাক খোপচিল্লবদি মতাগী মশিং হেনগৎকনি; আলু তাবা হেনগনি। আলুদা নুংশা মঙাল য়ৈবদগী ওইরকপা আলু অশংবা (Solanine) লৈবাক্লা মপুঙ ফানা খুমজিনখ্রগাদি য়াওররোই। কুম অমা চানবা আলুশিং লীদুনা থম্বদসু মরি-মরি চৎপী তীল হায়রগসু খঙনবা Potato tuber moth তাররোই। লৈবাক্লা মপুঙ ফানা খুমজিনখ্রবা ফৈদোমশিংদা লৈরিবা আলুদা তীনসিগী মরুম কোকশিনফম লৈররোই।

আলু মখোঙ শোল্লোইসি; লৈবাক ওইনা খোপচিনসি!

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১০। ০৩। ২০২৪ ইং, নোংমাইজিং;
ফাইরেনগী থাশু।

মেষ: মায় পাকপা হায়বদু নশাদা লৈরে। নীংবদুমক পাঙবা, থৌনা-লিংজেল ফুদোকপা মতাং চপ চারে। লন-থুম ,মীচংসু মরাং কায়গনি
লৈশা পাখংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

বৃষ: ঙাং-শকপা, য়েৎনবা, থৌনা ফুদোকপা, অনৌবা থবক থৌরমনচিংবা পাঙবদা মায়থিররোই। নরল চাওখৎনবা শিনবসু হৈগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক থোইনা ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

মিথুন: অঙম্বনা নরল লৌখিনি, খূৎ চাওবা মতাং চাদে, নত্তবা উপায় শীজিন্নগে খনগনু। লৌশিং শীজিন্নরদি লন-থুম হেনগৎকনি।
লৈশা পাখংগী- মরীদি হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ/হিগোক

কর্কট: পল্লম্বা লন ফংবা, মরুপ-মপাংগা মরী ফগৎপা অমদি মখোয়গা লোয়নবা থবকশিং মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। মৈনদি তাথি-ঈংথৌ।
লৈশা পাখংগী- খজিক্তং কান্নজগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

সিংহ: আশা চাওবা য়াগনি, চাদিং হন্থগনি, অরং-অরাক ফংজগনি, নথক থোংবগী মতেং লৌবা য়াগনি। য়েৎনবদি হান্নগুম মাঙজৈ।
লৈশা পাখংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

কন্যা: হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা, লৌশিং ফুদোকপা ৱারসু নীংবদি পাঙগনি, নচা-ননাইগী লম্দা পূক্লিং পেঞ্জগনি। শেন্দোং লৈগনি।
লৈশা পাখংগী- ৱাখল নুংঙাইজগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

তুলা: নাপলদা তৌরুনু-লম্ খূদিংদা মায়থিবা লৈরোই। থাজদবা ওইজবা অমদি মীয়ামগী মতেং ফংগনি। লৌশিং তানশিনবসু কান্নগনি।
লৈশা পাখংগী- হান্নগুম ফরি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাংবা

বৃশ্চিক: মরুপ খনবা হৈয়ু-হৈত্রদি মুক্লগনি অমদি থবক পনগনি। য়ূমগী ৱা তাও-য়াইফগনি। মফম/মতম চাবদা থৌনা ফুদোকপা ফৈ।
লৈশা পাখংগী- মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

ধনু: ঙসিসু নকন্থিনা নরল মাঙহঞ্জবা য়াবা লৈ-ফিংগনু। নচাক নরল/মীংচৎ, অফবা মরুপকী মতেং ফংগনি। হকচাংসু নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ /চিনি অঙাংবা

মকর: নচা-ননাইতা নত্তনা মীয়াম্না তেংবাঙবীগনি, থবক্কী পাউ নুংঙাইগনি, অরাপ্পা চৎপা কান্নগনি। ফংবা য়াবা পনবগী নুংঙাইতবদি লৈরি।
লৈশা পাখংগী- হান্নগুম খরদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

কুম্ভ: য়েক্লবা লাকশিনবা, মরুপ-মপাংনা য়াবা, ৱানোম থৌনোম কান্নবা নুমিৎনি। মহূ চাওবনদি তাথি, অনম তানবা কোক শাগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

মীন: নোল্লুকপা হৈত্রদি ফরোই, খন্থদনা থৌপাঙলদি চোপ্পা, কায়নবা নংগনি। লাই-গুরুগী ৱা তারদি নচাক-নরল থোইনা চাউখৎকনি।
লৈশা পাখংগী- মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

[illegible]

কোসিগিন লৈশাংথেমবু আই য়ু আই নেটৱার্কনা তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি (এম টি য়ু)দা দিপার্টমেন্ট ওফ সিভিল ইঞ্জিনিয়রিংগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইরিবা কোসিগিন লৈশাংথেমবু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী মখাদা দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সনগী মতাংদা খ্বাইদগী ফবা পার্টিসিপেন্ট ওইনা খল্লকপগীদমক ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি এন্দ ইন্সটিট্যুসন্স নেটৱার্কনা তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না এম টি য়ুগী দিপার্টমেন্ট ওফ সিভিল ইঞ্জিনিয়রিংগী হেদ ডা. কে অনিলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

প্রো. কোসিগিননা প্রাইম মিনিষ্টরগী টেন-পোইন্ট এজেন্দা ৩ গা মরী লৈননা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দেগী থীম 'ৱিমেন্স লিদরশিপ ইন দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সন' হায়বা হীরমসিদা খ্বাইদগী ফবা কন্ট্রিব্যুসন পীখিবনি। মহাকপু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমসু ন্যু দেল্লিদা লৈবা ডা. অম্বেদকর ইন্টরনেসনল সেন্টর, জনপথতা থা অসিগী ৮দা পাঙথোকখি।

মহাক্কী রিছার্স ৱার্ক অদু হৌজিক মণিপুরগী ঈরাং মরকসিদা মৈরা পায়বীশিংনা লৌরিবা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা থৌদাংসিদা ফোকস তৌখিবনি। মহাক্না লমদমসিগী মৈরা পায়বীশিংনা তোঙান তোঙানবা সোসল ইস্যুশিংদা লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদা কুপ্না নৈনখি। মসিগীসু মথক্তা মালেমগী ওইনা তমথিরবা কোভিদ-১৯ পেনদমিক্কী মতমদা এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম, মোবিলাইজিং কম্যুনিটিজ অমসুং তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকপদা লৌখিবা থৌদাং লোয়ননা কুমজা ২০১৬তা থোকখিবা অকনবা য়ুহা হাবদা মৈরা পায়বীশিংনা লৌখিবা থৌদাংশিং মচা খায়না শীংথাখি হায়রি।

এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর কোসিগিন আই য়ু আই এন দি আর আর-এন আই দি এম মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিগা নোদেল ওফিসরগী দিষ্টিংসন ওইরম্মী। হন্দক্তা ওল ইন্দিয়া কাউন্সীল ফোর টেক্নিকেল এদ্যুকেসন (এ আই সী টি ঈ) অমসুং য়ু জি সীনা এপ্রুভ তৌখিবা দি আর আরগী অন্দর গ্রেজ্যুএট কোর্সকী সিলেবস ড্রাফটিং কম্মিটিগী মেম্বর অমসু ওইখি হায়রি।